**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-10.2024)**

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব দিভিজনগী সি.এস.ওশিংগা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ৱারী শান্নবা অদুদা তৌসেম সব দিভিজন হেদক্বাটরসতা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মহাকা হায়-ঐখোয় খুদিংমক ा অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা কন্না হোৎনরবতদা মাংদা তারিবা খুদোংথিবশিং থেংনবা ঙমগনি।

সেনাপতি ৱিমেন্স সোসাইটিগী মীহুৎশিংগসু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মীপাল তাংদনা হিংবা, শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা অমসুং খুন্নাই অমা চাউখৎনবা হোৎনবদা নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীদুনা থৌদাং কয়া লৌহন্নবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়-লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিনা লুচিংদুনা হৌখিবা চয়োল তরুক অসিদা লোক্তাক পাৎকী লম হেক্তর ৫০ হেনবদগী ফুমদি কয়া শেংদোকখিববু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**মংকি (এল)ঃ** মংকি পোক্সকা মরী লৈননা রাজ্য অসিদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মনিপুর সরকারগী মেদিকেল দাইরেক্তোরেটনা থবক কয়া পায়খৎলি।

মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা লায়না

অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মনিপুর সরকারগী মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর-ডা: ও. সনাহনবীগী মীৎয়েং মখাদা ডা: সনসম গোপাল সিংহনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমা শেমখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি দি.এস.ও. থৌবাল অমসুং দি.ঐচ. থৌবালদা য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমসু চৎখি। ষ্টেট সরভিলেন্স ওফিসারনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অসি হৌজিক হৌজিক ককচিংদা লৈরি অমসুং মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট মংকি পোক্স য়ুনিটশিংদসু সেন্সিটাইজ তৌবগী থবকশিংসু মখা তানা চথখিগনি হায়রি। মীহুৎ কাংবু অসিনা মখা তানা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা দি.এস.য়ু অমসুং জেনিমস অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা দি.এস.য়ু. অমসুং রিমস, ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট অমদি অতৈ জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংদা য়েংশিনবগী থবক চথখিগনি হায়রি।

**ডে (এল)ঃ** নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন অমসুং দিরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস-মনিপুরনা শিনদুনা হয়েং ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডে ২০২৪ ইম্ফংালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোক্লগনি। কুমশি চহিগী থিমদি-ইটস টাইম টু প্রাইয়োরিটাইজ মেন্টেল হেলথ ইন ৱাক প্লেস’ হায়বসিনি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী মন্ত্রি-ডা: ডা: সাপম রঞ্জন, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী স্পিপসিএল সেক্রেটরি-হুংয়ো ৱারশাং শরুক য়াগনি।

**নোনে (এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া ভাইওশ্রী য়োজনা (আর.ভি.ৱাই) গী মখাদা বিনিফিসরিশিংগী ওইনা নোংমগী ওইবা এৱারনেস কম দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ এসিষ্টেন্টস ফোর দিসএবল পার্সন হায়বা থৌরম অমা নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু কেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিএল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্টগী মীৎয়েং মখাদা কম্পোজিৎ রিজনেল সেন্টর (এস.আর.ই) তাকয়েল, স্বামী বিভেকানন্দ নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ রিহেবিলিটেসন ত্রেন্নিং এন্দ রিছার্স, কটক অমসুং পি.এম.দি.কে. ইম্ফালনা ইন্টিগ্রেটেদ মীসন প্রোজেক্ট এক্সন ফোর কম্যুনিতি ত্রান্সফোরমেসনগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদা ৱার্কিং ষ্টিক, ত্রাই সাইকল অমসুং নি-ব্রেসনচিংবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকেখি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী হিল এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-দিনগাংলুং গাংমৈ, নোনেগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: জিয়ানথুইলুং কামৈ শরুক য়াখি।

**আরটিআই (এল)ঃ** রাইট টু ইনর্ফোমেসন এক্ট (আর.টি.আই) ২০০৫, মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা চহি খুদিংগী আর.টি.আই. ৱিক লৈবাক শিনবা থুংনা ওক্তোবর থাদা পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

মনিপুরদসু পালন থৌরম অসি মনিপুর ইনর্ফোমেসন কম্মিসননা শিনদুনা পাঙথোকপা হৌখ্রে। ইম্ফালগী দি.আই.পি.আরগী ওদিটোরিয়মদা থা অসিগী মখাদা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী চেয়ারমেন-ডা: উশম দেবেন শরুক য়াখি। থা অসিগী তরেৎতনা হীরম অসিগা মরী লৈননা লাই য়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি। আর.টি.আই. ৱিক ২০২৪ হয়েং লোয়শিনগনি।

**কম্মিসন(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলোং হাউরৈবীদা মমাং থাগী ২৩ দা মমা-মচা অনি মশাগী ময়ুমদা শিদুনা লৈরম্বা অদুগী মতাংদা মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা সু মোটু কোগনিজেন্স লৌখৎখ্রে।

থা অসিগী অমদা কম্মিসনগী চেয়ারপাসন মশা য়াউনা লৈখিদ্রবা মীওই অনিদুগী ময়ুমদা চৎখি অমদি জে.এ.সিগী মীহুৎশিংগা উন্নখি। অসিগুম্বা ফিভম

অসি য়েংলগা জিলা অদুগী এস.পিনা অথুবা মতমদা থিগৎপীদুনা এক্সন টেক্কন রিপোর্ট অমা কম্মিসনদা পীরকবা হায়রি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা মহারাস্ত্রাদা পায়খৎকদবা লুপা কোতি লিশিং ৭,৬০০ রোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনখ্রে।

প্রোজেক্টশিং অসি হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি খরা অসিদা মহারাস্ত্রাগী ওইনা অচৌবা সেক্তর কয়াদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া লোয়শিনদুনা থবক হৌখ্রে। ঙসি যাত্র হুনখিবা অদুদা লুপা কোতি লিশিং ৭ লোমগী শেনফমনা শেমজিনগদবা নাগপুরদা লৈবা ডাক্তর বাবা সহেব অম্বেদকর ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টকী যাত্রা হুনখি। মখা তানা লুপা কোতি ৬৪৫ গী সিরধি ইয়ারপোর্টকী ন্যু ইন্টিগ্রেটেদ টারমিনেল বিল্ডিং শানবসু যাত্রা হুনখি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা টাটা ত্রষ্টকা খুৎশমদুনা শেমগৎপা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ স্কিলস (আই.আই.এস) মুম্বাইসু শঙ্গাখি।

**মুরমু ঃ** রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা আয়ুরবেদা সেক্তরগা মরী লৈনবা ইন্টরপ্রাইজেস কয়া হৌদোক্তুনা লৈবাক অসিদা মহৌশাগী পোৎথোক্তগী শুংজবা হিদাক-লাংথকশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদা (এ.আই.আই.এ) হৌদোকখিবা চহি ৮ মপুং ফারকপগী থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-মমাংঙৈদগী হৌনা মীওইবগী পুন্সিদা আয়ুরবেদাগী অচৌবা মফম কনদুনা লাক্লি। মখা তানা এদভরটাইজমেন্ট কয়াদা শাশিন্নবা হিদাক কয়া প্রমোদ তৌদুনা মীয়ামবু লান্না লমজিংবগী মতাংদা পল্লদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী মথক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি।

মহাকা হায়-হৌখিবা চহি খরা অসিদা আয়ুরবেদিক কলেজশিংদা মহৈরোইশিংগী মিং চনবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি অমসুং লৈবাক অসিদা মতিক চাবা আয়ুরবেদিক্কী ডাক্তরশিং মপুং ফানা থমনিংবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি।

**হিদাক (এল)ঃ** হিদাক মনা শিজিন্নবনা হকচাংদা শোকহনবশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি কৈশামথোংদা লৈবা রাম লাল পোল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

মখা তানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সলাম ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদসু নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অসি কাদা, সলাম মনিং অপুনবা নুপী লুপ, সলাম য়ুথ লন্নরস ক্লব অমসুং সলাম য়ুথ ভোলুন্টিয়ারনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি-ক্লাস এলভেন অমসুং টুয়েল্বকী মহৈরোইশিংগী ওফ লাইনগী খুত্থাংদা এনরোলমেন্ট অমসুং রেজিষ্ট্রেসন পীশিনবগী মতম থা অসিগী ১৮ ফাওবা শাংদোক্লে। অকুপ্পা মরোল বোর্ড অসিদগী খঙবা য়াগনি হায়না কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

**কাং (এল)ঃ** ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ (কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই) মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট-২০২৪ ঙসি ৱাবগাইগী ৱালিদা

কাংশঙদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী অহানবা শান্নখিবা মেটচ অমদা হোগনা ৱালিদাবু পাঞ্জল ১৮-১৫ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১২ শুবা গোসপেল য়ুথ সোক্কর টুর্নামেন্ট, তমেংলোং লৱার গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অদু হিল এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন দিনগাংলং গাংমৈনা ঙসি হৌদোকখি। গোসপেল য়ুথ ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা চথুগদবা টুর্নামেন্ট অদুদা পুন্না টিম ৩৮ না শরুক য়ারি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কামজোং অমসুং ইর্ষ্টন ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং নোংমান ভিলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অহুমনা পুন্না খুৎশমদুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ফুটবোল অমসুং বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ঙরাং কামজোং জিলাগী ফুংয়ার ব্লোক্তা লৈবা নোংমাং ভিলেজতা লোয়শিনখ্রে। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা নিশা য়াওদবা পুন্সি অমা হিংনবগী ৱাখল্লোন্দা টুর্নামেন্ট অদু শিনবনি।

**রাইস ঃ** লৈবাক অসিদা এনিমিয়া অমসুং অতৈ তোঙান তোঙানবা চাবা ৱাৎপগী লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা মচি ওইবা চেং মখল ফোরতি ফাইব রাইস ফংহল্লগনি হায়না কেন্দ্র সরকারনা লাউথোকখ্রে। মসিনা এনিমিয়া য়াওনা অতৈ লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা ঙৎস পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি- অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-খোঙথাং অসি মচি ওইবা চিঞ্জাকশিং মপুং ফানা ফংহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎলকপনি। মন্ত্রিনা হায়-হীরম অসিগী মতাংদা সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ১৭ কায়থোখিবা লৈরে। মখা তানা বিকাশ ভি বিরাসাদ ভি ইন্সেসিয়েটিবগী মতাংদা পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-পুৱারীদগী হৌনা লৈবাক অসিগী ওইনা তোঙানবা ইনাক খুল্লবা পুক্কে কয়া লৈজৈ মসিবু ঙাক্তুনা

থম্বা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

**ভিজিৎ ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা হয়েং লাওসতা চৎলগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা লাওসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১ শুবা আসিয়ান-ইন্দিয়া সম্মিৎ অমদি ১৯ শুবা ইষ্ট এসিয়া সম্মিৎতা শরুক য়াগনি।

সম্মিৎ অসিগী লোইশিল্লকপদা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা নাকল অনিগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি।

**রাহুলঃ** কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়রি-হন্দক হায়দোকখিবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ফল অসি ওইরক্কনি থাজরুদবা অমনি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী গান্ধিনা হায়-মীখল অদুদা তোঙান তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্রদগী ৱাকৎ কয়ামরুম কংগ্রেস লুচিংবশিংদা লাকখি। মদু কংগ্রেসনা ইলেক্সন কম্মিসনদা অমুক থাগৎখি।

অমরোমদা, হরিয়ানাদা কংগ্রেস দলবু নুংশিবীদুনা শৌগৎপীরকপা কয়া অদুবুসু শ্রী গান্ধিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। কংগ্রেসনা চোকথবা লৈতনা হীরম খুদিংমক্তা ফগৎহন্নবা হোৎনখিগনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**সাইন্সঃ** কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিনা এক্তিব ফারমাসিট্যুকেল ইনগ্রীদিয়েন্স (এ.টি.আই) দা মীপাল তাংবগী চাং হস্থহনবদা মেক হন ইন্দিয়া ইনিসিয়েটিব অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা তরুকশুবা সি.আই.আই. ফারমা এন্দ লাইফ সাইন্সেস সমিটতা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক মেন্যুফেকচরিং মপাঙ্গল কনখৎহল্লবতদা হেলথ কেয়ারগী মরী লৈনবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়-ফারমাসিট্যুকেল প্রদক

চাং ৱাংনা পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমলে।

**অসাম ঃ** অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা হায়রি- ওনলাইন ষ্টোক ত্রেদিং ৱাথোক্কা মরী লৈননা কেস ৪১ সি.বি.আইনা থিজিল্লগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অথুবা মতমদা হিরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পুরকবা অসাম সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। পনবা য়াই, হৌখিবা ওগষ্ট থাদা রাজ্য অসিদা দিপাঙ্কর বরমনগী কম্পনিদা মীওই কয়ানা শেল য়ামা থাদবদগী ওন লাইন ত্রেদিং ৱাথোক অসি খঙনরকপনি। শেল থাদখিবা মীওইশিংনা মখোয়দা পীফম থোকপা শেলশিং পীবীদ্রে অমসুং দিপাঙ্কর বরমন লোৎখ্রে হায়না ৱাকৎলকখি। মদুগী তুংদা সি.আই.দিনা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মীওই কয়া ফাখিবনি।

**ভিজিটঃ** মোলদ্বিপসকী রাস্ত্রপতি-মোহোমদ মুইজ্ অমসুং ফার্ষ্ট লেদি-সাজিধা মোহোমদ নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি বেঙ্গলুরুদা থুংখ্রে।

মহাকা মফম অদুদা থুংলবদা করনাতক্কাগী হয়ার এদুকেসন মন্ত্রি-ডা: এন.সি. সুধাকরনা মখোয় অনিবু তরামা ওকখি। তুংদা, রাজ্যপাল-থৱারচান্দ ঘেলোটকা রাজ ভবনদা উন্নরবা মতুং রাস্ত্রপতিনা মকোক থোংবা ইন্দষ্ট্রিজগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

**আরবিআইঃ** রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর.বি.আই) না থংন-থংননা ১০ রক শুবা ওইনা পোলিসি রেপোরেটকী চাং হোংহন্দনা চাদা ৬.৫০ অদুম্মক লেংদনা লৈরগনি হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।

মখা তানা ষ্টেন্দিং দিপোজিট ফেসিলিতি (এস.দি.এফ) অমসুং মারজিনেল ষ্টেন্দিং ফেসিলিতি (এম.এস.এফ) গী চাংনা মথংশিংনা চাদা ৬.২৫ অমসুং

৬.৭৫ ওই্রগনি হায়রি।